# অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং মরুওইনা অসাম অমসুং মিজোরামদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলক্লি



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিং মরুওইনা অসাম অমসুং মিজোরামদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং হান্নদগী হেনগৎলক্লি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্টশিংনা হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা অসামদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১১৯ থেংনখি। ঙরাংগা য়েংনরুবদা ঙসিনা কেস মশিং ৫৫ হন্থখি। অদুবু লায়না লায়চৎ অসি শন্দোকপগী চাংদি হন্থে হায়বা য়াদ্রি। ঙসিগী ওইনা পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ১.৯২ ওইখি। মমাং থাদা ষ্টেট অসিদা পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ১ য়ৌখিদে। ঙরাংগী পোজিটিভিটি রেটনা চাদা ৩.৬২ ওইখি। ষ্টেট অসিদা ঙসি নৌনা থেংনখিবা কেস মশিং ১১৯ অসি থারগা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপুনবা মশিং ৭,৪৩,৩৪১ শুখ্রে। অদুবু মীশিং মীনা য়াওখিদবনা মরম ওইরগা অশিবা মশিং ৬,২১৪ দা লেংদনা লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা ষ্টেট অসিদা লায়না লায়চৎ অসিদগী মীওই ১৩৮ রিকোভর তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা পুম্না রিকোভর তৌখিবা মশিং ৭,৩২,৩৫৬ শুখ্রে। এক্টিব কেস মশিং ২,৯৫৭ লৈরি।

মিজোরামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৫৮ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ২,৩৫,৮৪০ শুখ্রে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ৱঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ গী পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ২৩ ওইখি। মসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা শিহনখিবা মী মশিং ৭১৭ তা লেংদনা লৈরি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপুনবা মীশিং ২,৩৫,৮৪০ গী মনুংদা মীওই ২,৩৪,৩৫৭ মপুঙ ফানা লায়না লয়চৎ অসিদগী ফগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

# পুলিস হেদ ক্বার্টরদগী ফাইলশিং মাঙখিবা অদু থিজিন্নবগীদমক অৱাংবা থাক্কী পেনেল অমা শেমখ্রে



অগরটালা, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
থা অসিগী ১৫ দা ট্রিপুরা পুলিস হেদক্বাটরদগী ফাইল ২০ রোম মাঙখিবগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক ট্রিপুরা পুলিস দিপার্টমেন্টনা অৱাংবা থাক্কী ইনক্বারি পেনেল অমা শেমখিবগা লোয়ননা পুলিস হেদর্ক্বাটরদা সিক্যুরিটিগী অশোয়বা লৈরম্লবদি চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ট্রিপুরা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা পুলিস হেদর্ক্বাটরদগী ফাইল খরা মাঙখি। ফাইলশিং অদু মশক খঙদবা মীওইশিংনা হুরান দুনা পুখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লবসু পুলিস হেদর্ক্বাটরদগী মাঙখিবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী ওইবা ৱাহং কয়া থোরক্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱেষ্ট অগরটালা পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং পুলিসনা মখা তানা থিজিনবদগী মাঙখ্রে হায়রিবা ফাইলশিং অদু অমুক হন্না ফংবা ঙমখ্রে অমদি থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৫ সু ফারে। ফারবা মীওইশিং অসি ময়ায় কাবা চিঞ্জাক্তা এদিক্ট ওইরবা মীওইশিং ওইনা তৌই। অদুবু পুলিস হেদর্ক্বাটরদা মতৌ করম্না মখোয়না চঙলক্লগা ফাইলশিং অদু হুরানখিবনো অমদি মথৌ তাদুনা লৈখিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা খঙহৌদবগী মরম থিজিনবা হৌখ্রে। করিগুম্বা থৌদোক অসিদা পুলিস পর্সনেলশিং চেন্নরম্লবদি মখোয়গী মথক্তসু চপ মান্নবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি। অমরোমদা ফাইল হুরানখিবগী থৌওং অসি বি জে পিগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না ওপোজিসন্না মরাল শিরক্লি।

# ইল্লিগেল ওইনা ইন্দিয়াদা চঙলকখিবা বাংলাদেশি ইম্মিগ্রেন্ট অনী চহী ৫ গী ফাদোক পীখ্রে

মনকছার, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি):
অসামগী সাউথ সলমারা দিষ্ট্রিক্তা লৈবা লোকল কোর্ট অমনা লৈবাক অসিদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা চঙলকখিবা বাংলাদেশি ইম্মিগ্রেন্ট অনী চহী মঙাগী ফাদোক পীখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

অসামগী সাউথ সলমারা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্টনা মীওই অনীদু মরাল লৈরে হায়না লাউথোক্তুনা চহী মঙাগী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ১০/১০ গী ফাইন থিনবসু খঙহনখি। করিগুম্বা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং অসিনা ফাইন মতম চানা থিবা ঙমদ্রবদি মখোয়গী ফাদোক্কী মতম থা ৬ শাংদোকপা য়ানা লৈরি। ঙসি কোর্টনা চহী মঙাগী ফাদোক পীখ্রবা মীওই অনী অদুদি অব্দুল হায় অমসুং নিরঞ্জন ঘোসনি।

অব্দুল হায় মমাং চহীগী মার্চ থাদা পুলিসনা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকা তায়ননা লৈবা মনকছারদগী ফাখিবনি। ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মরী লৈনবা চে চাং অমত্তা য়াওদনা লৈবাক অসিদা চঙলক্লম্বগীদমক পুলিসনা মহাকপু ফাদুনা থল্লকখিবনি। অমরোমদা নিরঞ্জন ঘোস মমাং চহীগী মে থাদা পুলিসনা ফাখিবনি মহাকসু মরী লৈনবা চে চাং অমত্তা য়াওদনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা চঙলকপদগী ফাখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা বাংলাদেশ অমদি রোহিংজা কয়া অরানবা মওংদা চঙশিল্লকপগী থৌদোকশিং তোয়না থোক্লি।

# কোল মাইন এক্সিদেন্টতা মীওই ১ শিরে, ১ ফীভম লুনা শোকখ্রে

শিল্লোং, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
মেঘালয়াদা য়াম্না তোয়না থোকপা কোল মাইন নিংখায়বগী থৌদোক অমদা ঙসি মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অমনা ফীভম লুনা শোকহনখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মেঘালয়া পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসি ৱেষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা উরক ভিলেজদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং লাপেন্দ্রো সংমা (৩৪) কৌই। মহাক নোর্থ গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ওগুরিদগীনি। থৌদোক অসিদা শোক্লবা মীওই অদুগী মমিংনা হেন্দিদ মোমিন (৩৩) কৌই। মহাকসু হায়রিবা খুঙ্গং অসিদগীনি। মোমিনগী মখোঙদা কা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা মহাক্কী মখোঙ অদু ককপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। অমরোমদা মেঘালয়া পুলিসকী টিম অমা থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখ্রে হায়রি।

# জি য়ুগী কন্ট্রোলর ওফ এগজামিনেসন সস্পেন্দ তৌখ্রে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি):
অন্দর গ্রেজুয়েট এগজামগী রিজল্ট থেংনা হায়দোকই হায়বগীদমক গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিগী কন্ট্রোলর ওফ এগজামিসন দা. ধ্রুৱাজ্যোটি চৌধুরি থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা রেজিষ্ট্রার এন্দ দিসিপ্লিনরি ওথোরিটিনা ইস্যু তৌখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না চহী অসিগী ওইনা গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিগী অন্দর গ্রেজুএট এগজামগী রিজল্ট হায়দোকপগী থবক থৌরমশিং মতম চানা কন্ট্রোলরনা পায়খৎতবনা মরম ওইরগা রিজল্টগী মতম থেঙথখিবনি।

চৌধুরিনা সস্পেন্দদা লৈরিঙৈ মতমদা দিপ্যুটি কন্ট্রোলরনা মহাক্কী অহাঙবা ফম অসি ইন-চার্জ ওইনা পুগনি। সস্পেন্দ মনুংদা চৌধুরি এগজামিনেসনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা য়াওহনদ্রবসু মহাক্কী পেরেন্ট দিপার্টমেন্টদা হান্নগুম্না মথৌ তৌগদবনি হায়নসু ওর্দর অসিনা মখা তানা হায়রি। পনবা য়াবদি এগজাম থেঙনা হায়দোকপনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিং অতোপ্পা ষ্টেটতা তন্বগী খুদোংচাবা ফঙখিদে।

# এম্বুসতা শোক্লবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী পর্সনেল অমা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে

অগরটালা, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সি):
ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ অনীগী লোন্নবা ট্রিপুরাগী শরুক্তা মথৌ তৌদুনা লৈখিবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা লালহৌবশিংনা এম্বুস চথুরকখ্রে। এম্বুস অদুদা শোক্লবা পর্সনেল অমা হোস্পিটালদা পুৎখৎলক্লবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে হায়রি।



থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়, লালহৌবশিংগী এম্বুসতা লৈখিদ্রবা বি এস এফ পর্সনেল অদুগী মমিং গ্রিজেস কুমার উদে (৫৩) কৌই। মহাক অগরটালাগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা লায়কন্নরবা মতুং অশোকপনা মরম ওইরগা শিখিবনি। এম্বুস অদুদা মহাক্কী হকচাংদা নোংমৈ মরূ মরি পানখি হায়রি।

অমরোমদা ট্রিপুরা ইন্টেলিজেন্সকী রিপোর্ট মতুংইন্না এম্বুস অদু এন এল এফ টিগী বিস্ব মোহন দেববর্মা গ্রুপনা চথুখিবনি। থৌদোক থোকফমগী অকোয়বদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা থিহুম্বগী থবক কন্না চথুরি। নোর্থ ট্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী অনন্দাবজার পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শিমনাপুর বোর্দর আউট পোষ্টতা থৌদোক অসি থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা কুমার উদে হান্নগুম আউট পোষ্ট অসিদা মথৌ তৌদুনা লৈরিঙৈদা বাংলাদেশকী শরুক্তগী লালহৌবশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। মতম অদুদা অতোপ্পা বি এস এফ পর্সনেল খরসু ঙমখৈ মনাক নক্লা পেট্রোলিং চৎখি। নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাবদগী পেট্রোলিং চৎলম্বা বি এস এফ পর্সনেলশিং আউট পোষ্ট তম্না লাকখি। অদুবু ঙমখৈগী ৱাংমদগী চথুরকখিবা এটেক ওইখিবনা চেন্নরিবা লালহৌবশিং অদু ফানবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি।

এম্বুসকী পাউ হেক ফংবগা মশিং য়াল্লবা পুলিস টিম অমসু থৌদোক থোকফমদা থুনা য়াঙনা চঙশিনখিবগা লোয়ননা হেলিকোপ্টর শিজিন্নদুনা থিবগী থবক চথুরি হায়রি।



সোম কামৈনা ইবা রানি গাইদিনলিয়ু লিজেন্দরি ফ্রিদম ফাইটর ফ্রোম দি নোর্থ ইষ্ট হায়না মিংথোনবা লাইরিক দিগ্নিটরিশিংনা ফোঙখিবা

## CROSSWORD-3619



### ACROSS
1 Make a mistake (4,2)
4 Unwrinkled (6)
8 Move aimlessly (5)
9 Fighting man (7)
10 Beseech (7)
11 Fisherman's basket (5)
12 Non-stop (9)
17 Borders (5)
19 Female singing voice (7)
21 Coached (7)
22 Combine (5)
23 Stinging plant (6)
24 Withstand (6)

### DOWN
1 Happening without warning(6)
2 Crackbrained (7)
3 Loosen (5)
5 Reclaim (anag) (7)
6 Yellowish-green colour (5)
7Scarcely (6)
9 Seen (9)
13 Armoury (7)
14 Language of East Africa (7)
15 Substance used for setting jams and jellies (6)
16 Point in time (6)
18 Hard work (5)
20 Dried plum (5)

**Solution 3618**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | C | R | E | | A | L | A | R | M | I | S | T |
| L | | O | | S | | Y | | A | | C | | I |
| L | O | B | S | T | E | R | | T | H | E | M | E |
| R | | I | | A | | I | | I | | B | | D |
| I | N | N | E | R | | C | L | O | S | E | R | |
| G | | | | V | | S | | | | R | | P |
| H | A | P | P | E | N | | B | I | G | G | E | R |
| T | | R | | | | S | | M | | | | O |
| | D | O | R | S | E | T | | A | N | N | U | L |
| B | | T | | O | | R | | G | | E | | O |
| L | I | E | I | N | | E | V | E | N | I | N | G |
| O | | I | | A | | S | | S | | G | | U |
| C | O | N | G | R | E | S | S | | T | H | E | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4020

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 4 | | 5 | | 7 | |
| | 5 | 3 | | 7 | 1 | | | |
| | | 9 | 3 | | | | | |
| | 4 | | | 9 | | 8 | | |
| 8 | | | 7 | | 6 | | | 4 |
| | | 1 | | 8 | | | 9 | |
| | | | | | 2 | 4 | | |
| | | | 8 | 1 | | 6 | 2 | |
| | 2 | | 6 | | 7 | | | 3 |

### Solution-4019

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 9 | 2 | 6 | 8 | 5 | 1 | 3 |
| 2 | 5 | 1 | 4 | 3 | 7 | 8 | 6 | 9 |
| 3 | 6 | 8 | 9 | 1 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 7 | 9 | 6 | 3 | 5 | 4 | 1 | 8 | 2 |
| 5 | 1 | 4 | 8 | 7 | 2 | 9 | 3 | 6 |
| 8 | 2 | 3 | 6 | 9 | 1 | 7 | 5 | 4 |
| 6 | 4 | 2 | 5 | 8 | 9 | 3 | 7 | 1 |
| 9 | 8 | 7 | 1 | 4 | 3 | 6 | 2 | 5 |
| 1 | 3 | 5 | 7 | 2 | 6 | 4 | 9 | 8 |

## EMPLOYMENT NEWS

### SAINIK SCHOOL IMPHAL RECRUITMENT 2022 FOR TGT (SOCIAL SCIENCE)

Sainik School Imphal TGT (Social Science) Recruitment 2022 Advertisement for the post of TGT (Social Science) in Sainik School Imphal. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 13th September 2022. Candidates can check the latest Sainik School Imphal Recruitment 2022 TGT (Social Science) Vacancy 2022 details and apply online at the ssimphal.nic.in/ recruitment 2022 page.
Sainik School Imphal Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ ssimphal.nic.in/. Sainik School Imphal selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of ssimphal.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
TGT (Social Science)
Job Location:
P.O. Pangei Yangdong, Imphal East, 795114 Manipur
Last Date: 13th September 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification: Candidates Should Possess Professional Qualification of B.Ed as on last date of Submission of Application.
Pay Scale: INR 44900-142400/- Per Month
Age Limit: 21-35 years.
Application Fee: Application Fee (non-refundable) in the form of a Bank Demand Draft for Rs.400/- drawn in favour of Principal, Sainik School Imphal, payable at Imphal or Bank of India, Sainik School Branch, Imphal. Application fee can also be deposited online at the School's Bank Account i.e. Bank of India, Sainik School Branch, IFSC Code - BKID0005064, Account Number - 506420110000001. Online payment receipt may please be attached with the application.
How to Apply:
Eligible candidates may apply to the Principal, Sainik School Imphal, P.O. Pangei Yangdong, Imphal East - 795114, Manipur in the prescribed format available at the school's website (https://ssimphal.nic.in) along with attested copies of certificates and testimonials, a passport size photograph, bio-data including working telephone / mobile number, e-mail ID along with a self addressed envelope with stamp of Rs. 25/-. Applications received after the due date or without supporting documents or prescribed application fee or not in the prescribed format will be rejected without any intimation.
Important Dates:
Published on: 11th August 2022
Last date for application is: 13th September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### GSI SHILLONG RECRUITMENT 2022 FOR 25 ORDINARY GRADE DRIVER

Geological Survey of India (GSI) Ordinary Grade Driver Recruitment 2022
Advertisement for the post of Ordinary Grade Driver in Geological Survey of India (GSI). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 13th September 2022. Candidates can check the latest Geological Survey of India (GSI) Recruitment 2022 Ordinary Grade Driver Vacancy 2022 details and apply online at the www.gsi.gov.in/ recruitment 2022 page.
Geological Survey of India (GSI) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.gsi.gov.in/. Geological Survey of India (GSI) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Meghalaya. More details of www.gsi.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Ordinary Grade Driver
Job Location:
Rynjah, Shillong, 793006 Meghalaya
Last Date: 13th September 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 25 Posts (UR-10, SC-04, ST-02, OBC-07, EWS-02)
Educational Qualification:
(a) (i) Matriculation or its equivalent from a recognized Board or University. (ii) Driving license for Light Motor Vehicle (LMV) & Heavy Motor Vehicle (HMV).
(b) (i) 03 years' experience in driving of trucks, jeeps or tractors from recognized organization. (ii) Experience in repairs and maintenance of vehicle.
Pay Scale:
INR
19900-63200/- Per Month
Age Limit: Not exceeding 25 years.
How to Apply:
Application in prescribed proforma completed in all respect should reach by post to "The Additional Director General & Head of the Department, North Eastern Region, Geological Survey of India, Lambatngen, Rynjah, Shillong-793006 within 45 days from the date of publication of this advertisement in the Employment News. The detailed advertisement and prescribed application forms are available on our website: https://www.gsi.gov.in. This Job Source is Employment News 30 July - 5 August 2022, Page No.12.
Important Dates:
Published on: 23rd July 2022
Last date for application is: 13th September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

